**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-03-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ৩০-০৩-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) উখ্রুল জিলাদা উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবা অদু হন্থহনবদা তাঙ্খুল নাগা ইচিল ইনাও অমদি ইচে ইচলশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপিল তৌরি।

২) এন.এস.সি.এন ইস্তর্ণ ফ্লঙ্ককী কেদর ৪ হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা লান অসিদা ভারত মচাশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনরি।

----

**সিএম(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবা অদু হন্থহন্দুনা শান্তি রক্সাগী ফিভম লাকশিন্নবা হোৎনবদা তাঙ্খুল নাগা ইচিল ইনাও অমদি ইচে ইচলশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপিল তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটেরিয়েটনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ঙমখৈ জিলা ওইরিবা উখ্রুলদা ঙরাং হিংশা থোরকপদগী উংখৎনবগী ফিভম লাকখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লাইবক থিবা থৌদোক অদুগীদমক মহাক্কী মাইকৈদগী অৱাবা ফোঙদোক্লি। হিংশানা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই। মরম অদুনা, হিংশাগী থৌওংশিং মখা তানা তৌবীগনু। সরকারনা ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়ামা হকচিন্না লৌই। থৌদোক অদুগা মরি লৈননা আইনগী ওইবা দরকার লৈবা থবক পুমমক শোইদনা লৌখৎকনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা ফোঙদোক্লি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** কামজোং জিলাগী হোংপৈ ভিলেজতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম এন.এস.সি.এন-আই.এমনা, এন.এস.সি.এন-ইস্তর্ণ ফ্লঙ্ককী কেদর ৪ হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল(য়ু.এন.সি)না য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা উখ্রুল তাউনদা লৈবা এন.এস.সি.এন-আই.এমগী ওফিস মীয়ামা মৈ থাখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মরাল লৈবশিং খৎশিন্নরকউ হায়না দাবী তকশিন্দুনা মফম অদুগী মীয়ামা উখ্রুলদা সটদাউনগী খোঙজং চংশিনখ্রে। উখ্রুল তাউন খুন্তাক লানশিরে। উখ্রুল জিলাদা ওইরক্লিবা ফিভম অদু লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবকশিং লৌখৎলি।

**শেন্থং (এল)ঃ** স্পিসিয়েল এসিসতেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিতেল ইনভেষ্টমেন্টকী মখাদা মণিপুরগীদমক লুপা কোতি লিশিং ২,৪০০ পীরকপগীদমক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা শিতারামনবু থাগৎপা অমদি তৌবীমল খংবা উৎখ্রে।

ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-প্রাইদ ওফ হিলসকী থৌশিল মখাদা কুমজা ২০২৬-২৭কী ওইনা পীরক্লিবা শেনফম অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী

থবকশিংদা চাউনা মতেং পাংলগনি। মশাগী রেভিন্যু মরাং কাইদবা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগীদমক অখন্ননা পায়খৎলিবা থৌশিল অসি য়ামা ফবা থৌশিল অমনি। রাজ্য অসিগী মীয়ামগী অনিংবা অপামবা ৱাখল্লোনশিং থবক্তা ওন্থোকবগীদমক মতম চানা মীৎয়েং চংবীরকপগীদমকসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকাইদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফারে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ফারবা মীওই অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীশকি।

অরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ভারত ম্যান্মার ঙমখৈগী বোর্দর পিলর ৭৩ মনাক্তা লৈবা য়াঙৌবুং ভিলেজতগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা বোম য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা নাইন এম এম পিষ্টোল ৬, নাইন এম এমগী মেগজিন ৬, শিঙ্গল বেরেল রাইফল ১, আই.ঈ.দি বোম ১৫ অমসুং তেক্তিকেল রেদিও সেট ২ য়াওরি। ফাগৎলবা আই.ঈ.দি বোমশিং অদু মফম অদুদা অশোই অঙাম য়াওদনা পোখাইহনখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, জিরিবাম পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা শোতো বেক্রা অমসুং লাতিংখালগী মরক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং মীওই অমা গঞ্জা কিলোগ্রাম ৫ গ্রাম ২০০ গা কোন্ননা ফারে। পোৎলমশিং অদু প্লাস্তিক বেগ ৫ দা হাপ্তুনা পুরম্বনি। মীওই অদুদগী চাকা অনি পানবা গারি অমসু ফাগৎলে।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** বিস্বা শন্বট কেন্দ্র মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা ভাস্কর প্রভাদা পাউ ইবা অমসুং ফোতোগ্রাফিগী ৱার্কশোপ অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ই-পাউগী লমদা

মোবাইল ফোন শিজিন্নবা অমসুং সিতিজন জর্নেলিজমনা খুন্নাইদা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা ফোঙদোকখি। মেদিয়া ইথিক্সকী ৱাংমদা নিয়ম কাইনা পাউ শন্দোরকপদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা, আর.এস.এসকী মরুওইবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

**মোদিঃ** বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা লানগী মরক অসিদা ভারত মচাশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি কেন্দ্র সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌশিল অমা ওইনা পায়খৎলি।

কেরলমগী পালাকারদা ঙরাং পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-ওইরক্লিবা ফিভম অসি ভারতনা কুপা য়েংশিল্লি অমসুং লান অসিগী চৈথেং লৈবাক অসিদা য়ারিবমখৈ ফংহন্দনবা কন্না হোৎনরি।

**স্কিলঃ** ইন্দিয়া স্কিলস নেসনেল কম্পিতিসন ২০২৫-২৬ গ্রেতর নোইদাদা ঙরাং হৌদোকখ্রে। স্কিল দেভলপমেন্ট অমসুং ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপ মন্ত্রালয়না শিনবা থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খূৎশা হৈবা মীওই ৬৫০ না তোঙান তোঙানবা স্কিল কেতেগোরি ৬৩ দা লম্বা তৌনরি। মন্ত্রালয়না হায়-থৌরম অসিনা লৈবাক অসিবু মপুং ফানা চাউখৎপা ভিক্সিট ভারত ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**লানঃ** নোংচুপ এসিয়াদা থোকিবা লানগী পাউদা-ইজরেলনা তেহরান য়াওনা ইরানগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা নোংথক্তগী নৌনা লান্দাখ্রে। লান দাবা অদুদা ইরানগী খূৎশু খূৎলাই থস্ফমশিং, খূৎলাই শাফমশিং, কম্মান্দ সেন্তরশিং অমসুং দিফেন্স সিসতেমনচিংবদা অমাং অতা কয়া থোকহনখ্রে।

ইজরেলগী মিলিটরিনা মখা তানা কনশিন্না লান্দানবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মরক অসিদা, অমেরিকানা অহেনবা মেরিনশিং থাজিন্দুনা মখা তানা অকনবা মওংদা লান্দানবা থৌরাং তৌখ্রে। পেন্তাগোনা হায়-দরকার লৈরকপগী মতুং ইন্না গ্রাউন্দ ওপরেসন হৌননবা শেম শারে।

অমরোমদা, ইরানগী পার্লিয়ামেন্তরি স্পিকর মোহম্মদ বাঘর ঘালিভাফনা অমেরিকাগী গ্রাউন্দ ত্রুপশিংনা লাকপা অদু ঙাইদুনা মতিক চাবা থবক পায়খৎনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। ৱাশিংটননা য়াশিন্নবা পুরক বা ৱারি শান্নবগী ৱাফম ফোঙদোক্লবসু মদুগী মরুমদা মখা তানা এত্তেক্টশিং চথনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়নসু মহাকা মরাল শিখি।

**ক্রিকেটঃ** আই.পি.এল ২০২৬কী ঙরাং মুম্বাইগী ৱাংখরে স্তেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা কোলকতা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে। মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা তোস ঙম্লবা মতুং কোলকতা নাইট রাইদর্সনা হান্না বেতিং তৌদুনা ৱিকেট ৪ দা রন ২২০ লৌখিবনি। মদুগী পাউখুমদা, মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা ওভর ১৯ বোল ১ দা পান্দম অদু ফংবা ঙমখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কশোম খুলেনদা এন.এস.সি.এন-আই.এমনা লালহৌলুপ অসিগী ইষ্টর্ন ফ্লেঙ্ককী লান্মী ৪ হাৎখ্রে, মীয়ামা উখ্রুলদা লৈবা আই.এমগী ওফিস মৈ থাখ্রে হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন অনিমক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তাঙ্খুলগী সি.এস.ওশিংনা সি.এম খেমচান্দ উনদুনা উখ্রুলগী উংখৎনবা লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে হায়না- পোকফমগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সি.এমনা চেয়র লৌদুনা বি.জে.পি লেজিস্লেচর পার্তি লুচিংবশিংগী অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ- নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এমনা উখ্রুলগী মীয়ামদা পুকিং ফাথনা লৈনবা আপিল তৌখিবগী পাউ - সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

ত্রান্সজেন্দর পর্সন এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৬কী মায়োক্তা ত্রান্সজেন্দরশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না- সনালৈবাক্তা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়াস স্কিল নেসনেল কম্পিতিসন ২০২৫-২৬ হৌদোকখিবগী পাউ - মণিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নাগা য়ু.জি মশেল কাপবদা ৪ শিরে, এন.এস.সি.এম-আই.এমগী ৱুং তাঙ্খুল রিজন সেক্রেটরিয়েট বিল্ডিং মৈ থাখ্রে হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লোক্তাক্তা মাইক্রো প্লাস্তিক পোল্যুসনগী চাং হেনগৎলক্লি হায়না- পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- ইন্দিয়ন রেট ক্রোস সোসাইতি তমেংলোং ব্রাঞ্চ হাংদোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এম খেমচান্দনা ভাইব্রেন্ট ভিলেজেস প্রোগ্রাম টু, তমেংলোংগী মখাদা জিলা ৫ গী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎলগনি হায়না লাউথোকখিবগী পাউ- তামেংলোং তাইমসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--- পাউ লোইজরে ---**